থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# চাওখৎলবা মতমসিদা চাওখৎপই ৱা চঙদবা লম

মীওইবা হায়বসি, মতম অমদা ফি শেৎকনি খঙদবা, থোং-থাক্তুনা চাগনি হায়বা খঙদবা, য়ূম শাগনি খঙদনা লৈকুৎ-লৈরায়, উমং-ৱামং, শুরুংনচিংবদা লৈরম্বা থৱায় পানবা অমা ওইরম্মী হায়বসি লাইরিক পাবদগী খঙই। লাইরিক ইবা-পাবা হৈতবা কনাগুম্বা অমদা হায়রুবদদি থাজরোই। পীক্লিবা অঙাংশিংনসু থাজরোই। তপ্না-তপ্না চাউখৎলক্লগা, মহৈগী থাক হেনগৎলক্লগা তপ্না-তপ্না খঙলক্কনি। অঙাং নাৱা ওইরিঙৈ উখিবা তাইবঙগী শক্তমদুগা ঙসি উরিবা শক্তম অসিগা খেন্নবদু উরগা খঙলকই - চাওখৎপা হায়বসি করিনো? মীওইবনা চাওখৎলকপা (হ্যুমেন সিভিলাইজেসন) গী ৱারীসি অঙকপনা থল্লবা, থাজদবনা য়োন্নবা নুংঙাইবা লাইরিক অমনি। অওনবনা থল্লবা তাইবঙসিগী লেপ্পা লৈত্রবা অওনবা মশক খঙনবা অমত্তা ঙায়রবা লাইরিকনি - 'দ হিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন সিভিলাইজেসন' - (মীওইবনা চাওখৎলকপগী পুৱারী)। ৱারী (লাইরিক) অসি পারুবদগী খঙই - মালেমসিদা লাকখিবা 'অওনবা' হায়বসিগী মরুওইবা মরম, মীওইবা কৌবা থৱায় পানবা অসিনি।

ৱারী অদু ময়ামদা নৌনা পাউদমগে খন্দুনা পাউদম অসি ইজরুবা নত্তে। ঙসিগী মীরোল অসিনা তোয়না শীজিন্নবা ৱাহৈ অমখক ইচাশিংনা পারিবা নেসনল পেপরদু পারুবদা থেংনরুবদগী ৱাখলসিদা মওল-মওল খল্লক্তুনা - ৱাখল অদু মীয়ামদা হেক পাউদমনীংলুরে। ইগে খন্দুনা ফমথরুবদা কদায়দৈনো পাইশিল্লক্তুনা ইগে খনবদুদি ইহৌদা ফৈরেং-তুরেং ইথোকখিবনি। ৱাখলসিবু লমফৈ চৎহনখ্রিবা ৱাহৈদুদি অতৈ নত্তে 'সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট' (তুং-কোয়বা চাওখৎপা) হায়বা ৱাহৈ জুরা অসিনি। সিভিলাইজেসন'গা দিভলপমেন্ট'কা ৱাহন্থোকপুদি মান্নদে। অদুবু, ঐগী লোন অসিদা মান্নদবা ৱাহৈ অনী থিফম খঙদ্রদুনা 'চাওখৎপা' হায়বা ৱাহৈসি তূ'না অদুম শীজিন্নজরে। ৱারেংসিগী মখা তারকপদি ইংরাজি ৱাহৈসি ওইনা অদুম শীজিন্নজগে। সষ্টেনেবল, তুং-কোয়বা হায়বসিসু 'পোত্থোক অমা' - মহৌশাগী ওইগেরা, মীওইবনা পুথোকপা ওইগেরা, শীজিন্নবা হৌখ্র' মতুংদা পাক লোইবা-খম্বা নাইহন্দনা মখা তানা লেপ্তুনা পুথোকপা ঙমহনবা অদুবুনি। মহৌশাগী খোনি ওইরবসু, মীওইবনা তাল্লগা পৈশিনববু ওইর'সু, পোৎ (পোত্থোক) অমা লেপ্তনবু শীজিন্নরবা নোংমা কংখিবা/খমখিবা শোয়দ্রবনি।



ইন্দিয়াখক্কী ৱা নত্তে, মালেমগী লৈপাক অয়াম্বা, অমেরিকা-জপান্নচিংবা চাওখৎলবা লৈপাকশিংসু য়াওনা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মাগী-মাগী লৈপাকশিংদু পুমশেম শেমদোক্ল বা (ট্রান্সফোর্ম তৌনবা) অচৌবা মঙলান অমমম মঙনরি। মোদি লৈঙাক্লা, শক্তি হেক পায়রকপগা প্লান্নিং কম্মিসন মুখৎলগা 'নিতি আয়োগ' (নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ট্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া) লীংখৎখিবা, মহাকখক্কী তোঙানবা মঙলান অমা শাগৎখিবা ওইরমদে। মালেমগী ওইবা দিভলপমেন্ট প্রোসেস অমগী শরুক অমা ওইরম্মী। হায়নবা লৈ... অফবা থবক অমা হৌনবগীদমক নুমিৎ-থা-থৱান্মীচাক্কী খোঙচৎকী থোইদোক হেন্দোকপা অখন্নবা পুংফম ঙাইগনু হৌজিকমক, থৱান্মীচাক্কী ফীভম য়েংদনা খুদক্তা হৌ'...। কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মালেমসিবু শেমদোক্লবা, অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা মালেমগী লৈপাকশিংনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিবু অচম্বা লোন্দা 'সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস' (এস দি জি) হায়না খঙনৈ। পান্দমদি - কুমজা ২০১৬তগী কুমজা ২০৩০ ফাওবদা পায়খৎলক্কদৌরিবা চাওখৎ-থৌরাংশিংদা মীকোক অমত্তা চীখদনা খুদোংচাবা ফংহনবা, লোয়ননা থৌরাংশিং অদুসু মওং অমা নৎত্রগা অমদা লেপহন্দনবা থৌশিল য়াৎপনি। তোঙান-তোঙানবা গোল (পান্দম) তরাতরেৎ মশক লেপথোকই। ইন্দিয়াখক্কী নত্তে, মালেমগী লৈপাক অয়াম্বদা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী ৱা খন্নরকপদা, ওইথোক্লবা লম্বী অমা পুথোকপরোমদদি চৎকদবা য়াম্না ৱাৎলি। এস দি জি'গী ৱা খন্নরকপদা মেনেজমেন্ট এক্সপর্ট, বেঞ্জামিন কোফি ক্লানসাহ'না হায়খিবা ৱা অমা নীংশিংলকই ... 'সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস ... তাবদদি য়াম্না ফজৈ, পোলিটিসিয়নশিংনা ঙাঙবদসু তাবা নুংঙাই, ... অদুবু, মী অমা ওইনা ঐখোয়না সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল ফংননবা থবক পায়খৎত্রিঙৈদা হান্না খন্নগদবদি - পর্সনেল দিভলপমেন্ট গোল' গী ৱাফম অসিনি... অওনবা অমা পান্নবদি অওনবদু নশাদগী হৌ, নশা হান্না শেমদোকখো - হান্নদগী হায়নরকই'...।

সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট' কী ৱা, মণিপুরগী কন্টেক্স'তা লামশিল্লগা খন্থরুবদা খল্লকই ... লমদমসিদদি ৱাফম অসি খন্নদবনা ফৈ...। মীওইবগী থৱায় ওইবা তুরেলবু অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম, অমাং-অশোয় হৈদোকফম ওইনা লৌবা লম ... লৌ-উফম লৌবুকপু লৌফম ওইনা থম্নবা পোলিসি শেমদবা লম ... তম্পাক লম অয়াম্বা 'পাৎ' হায়বা ৱাতপ (সফিক্স) অমা তপ্লগা থোল্লম্বা লমলেনসিদা পাৎ মশক উদ্রবা লম... ইকোসিষ্টেম নৎত্রগা ইকোলোজিকল বেল্যান্স হায়বা ৱাহৈসি কনানসু খঙদবা লম... অশংবা চীংগী মচুনা অঙাঙবা মচু ওনখ্রবা লম... অসিগুম্বা লমসিদা 'সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট' - য়েম্মৌনবা ৱাহৈনি। এস দি জি - পোলিটিসিয়ন অমত্তগী মকোক্তুদা লৈরপ্লোই। পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনগী মতমনি, পোলিটিকল পার্টি ময়ামগী ওইদ-ৱাশক ময়ামগী পরেং ওইনা লেংথোকপা মেনিফেষ্টো অদুদসু য়েংবীয়ু - ৱাফম অসি য়াওরপ্লোই। মরমদি, মখোয় খঙই - লমদম অসি চাওখৎপই মঙাল ফংদ্রিবা মী ময়াম্না খুন্দাবা, মখোয় মশেল অমগা-অমগা ক্রক-ক্রক য়েংশিন্নদুনা লৈমিন্নরিবা লমদম অমনি... গান্ধি য়েকপা মচু কয়াগী চেজেত্তুগী ৱাখল নত্তনা অতোপ্পা অমা খন্দবনি...।

লৌশিং পুক্কে

# থাঙ থারগা অঙাং উনবাঃ করিদা কান্নবগে, খুদোংথিনিংঙাই ওইবশিংনা করিনো ?

অ ঙাং পোকপা মতমদা মহৌশাগী ওইবা মওংগা থাঙ থাবগা করম্বনা হেন্না শাফবগে হায়বসি মীপুম খুদিংমক, মরু ওইনা মমা-মপা নৌনা ওইগদৌরিবা নুপা-নুপীশিংনা লাংতক্লবা অমগা লোয়ননা খঙনিংবা ৱাফমনি। থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদবা তারবদি মহৌশাগী ওইবা মওংদা অঙাং পোকপনা ফবা হেল্লি। মসিনা অঙাং মখা তাগে খল্লবসু খুদোংচাবা হেল্লি।



অঙাং পোকপগী ৱা ঙাক নত্তনা থাঙ থাবা হায়বসিমক্তবু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা রিস্ক খরদি অদুমক মায়োক্লবা মশানা তাবনি। অদুম ওইনমক মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা নীংথিনা পাঙথোকপা তারবদি থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদে। করিগুম্বা কান্দা অঙাং নৎত্রগনা মমাগী পুন্সি কন্নবগীদমক তঙাইফদনা থাঙ তাবা য়াওই। হায়রিবা ফীভম অসি ওইবা তারবদি অনীরক হন্না খনথরুবা তৌদনা থাঙ থাফম থোকই।

সিজারিয়ন সেক্সন হায়নসু খঙনবা থাঙ থারগা অঙাং পোকপদা থেংনবা য়ারিবা খুদোংচাদবশিংদি থাঙ থাখিবা মফমদা মতম খরা অদুমক চৈনাাখোল ফাওদুনা লৈবা, ওইশিনবদা মতম চঙবা মরম্না মহৌশাগী পুন্সিদা থুনা হজ্ঞিল্লকপা ঙমদবা অমসুং লাইজৌবা অসিনচিংবনি। কনাগুম্বা দাইবেটিস নাবা নৎত্রগনা হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা হেনবা নুপীশিংদনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা অসি থোক্কল্লি। কনাগুম্বা নুপী খরদি য়ুটেরসকী লাইনিংদা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াওই। মরু ওইনা অঙাং পোক্লমদাইগী পুক য়েকপা হৌরক্ত্রিঙৈদা হান্না ঈশিং কায়রকপা তারবদি খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই।

কনাগুম্বা নুপী খরদি মপান থোকপগী মরীদা ইনফেক্সন তৌরকপা য়াওই। ওপরেশন তৌরমদাইদা ব্লদর হাঙহন্নবগীদমক মপান থোকফমদা অপাবা ট্যুব (কেথেটর) অমা থিংজিনবনা মরম ওইরদুনা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন (য়ু টি আই) তৌহল্লকপনি।

মখল খুদিংমক্কী ওপরেশন্না হকচাং মনুংদা ঈ মচেৎ ফমজিল্লকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্ল হল্লি। করম্বা মফমদা ঈ ফমজিল্লকপগে হায়বদুগী মতুং ইন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম ওইহল্লকপা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুম্বা থবোম্বী (লংস) দা ঈ ফমজিল্লক্লবদি পলমোনরি এম্বোলিজম থোকহল্লক্তুনা শিবা ফাওবা য়াই। ফীভম অসি মায়োক্লবা তারবদি লোক তোয়না খূরকপগা লোয়ননা চনিং তানা নিংশা-শ্বর হোনবা য়ারক্লোই অমসুং খুবোমদা পোমখৎলক্তুনা চৈনাখোল ফাওরক্কনি।

থাঙ থারগা অঙাং উনবদা মায়োক্লরকপা য়াবা অতৈ খুদোংচাদবশিংদি পুক মপাদা লৈবা টিস্যু মশেল নপশিন্নরকপা, নর্ভশিং অমাঙ অতা থোকপা অমসুং পঙথনবা হীদাক থারুবগী মতম শাংনা হৈনিংবা পোক্তবা অসিনচিংবনি। মসিগীসু মথক্তা থাঙ থারগা পোকপা অঙাং অয়াম্বা নিংশা-শ্বর হোনবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্লরকপা য়াই। মমাগী পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংগী থবোম্বী মপুং ফানা শেমগৎপা লোইদ্রিঙৈদা থাঙ থারগা পোক্লুবদগী নিশা-শ্বর হোনবদা অৱাবা মায়োক্লরকপনি। মসিগীসু মথক্তা থাঙ থারগা পোকপা অঙাংশিংদি হেক পোকপগা মমাগী মনাক্তা লৈবা ফংদবা মরম্না খোন্নাং থকপা ফংদে। মরম অদুনা খুৎশেমগী শঙ্গোম্না য়োকপগী ফীভমদা লাকই।

পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংগীদমক্তুদি মমাগী খোন্নাংদগী হেন্না ফবা চীঞ্জাক অমত্তা লৈতবা মরম্না খুৎশেমগী শঙ্গোম্না য়োকপা অঙাংশিং তুংগী পুন্সিদা মশা ফৎকন্দে। চাউরক্লগা হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা হেনবা মীওইসু ওইগল্লি। অদুম ওইনমক থাঙ থাবগী কান্নবা খরসু অদুমক লৈ। মরু ওইনা অপাম্বা মতমদা ইশাগী খুদোংচাগদবা য়েংলগা অঙাং পোকপা য়াই।

অঙাং খাউ নান্থরকপগী খুদোংচাদবসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না অমাঙ-অতোং লৈবা তারবসু অঙাং অমদি মমা অদুগী শাফগদবা য়েংলগা করম্বা মওংদা অঙাং পোক্কদগে হায়বদু লেপথোক্কদবনি।

# দলিৎ সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ২৯(ঐচএনএস): দলিৎ সাহিত্য একাদেমি, মণিপুরনা শীন্দুনা ১০ শুব দলিৎ সাহিত্য ২০১৯ গী চহীগী কনফরেন্স ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্ট, এম য়ুগী এসিস্টেন্ট প্রো. ডা. মৈকাম থোইবা, জাপানিজ হোস্পিটাল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রাজেন অয়াংবা, ভারতিয়া দলিৎ সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দিল্লিগী নেসনল সেক্রেটরি য়ুম্নাম মহেন্দ্রকুমার অমদি জেন এন এম দি এগী ইম্ফাল অমদি ষ্টেট পালা একাদেমিগী এৱার্দি খোইস্নাম কিরতিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা নুপা-নুপী য়াওনা পুন্না মীওই ১৫ রোম্না শৈরেং পাথোকখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌরিবশিংদা সাটিফিকেটনচিংবা পীখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা ডা. মৈকাম থোইবা ফোঙদোকখিবদা এৱার্দ হায়বা অসি মনা মনা তৌরিবা থবক অদুদা ইকাই খুম্নবা পীরবনি। পুন্সিদা তৌগদবা থবক য়াম্না ৱাৎলি। অৱাং নোংপোক লমদমদা ডো. অম্বেদকরগী লুপা লাখ ১০ গী এৱার্দ লৌবা ঙমদনা লৈরি। মসি শেল খক্কী ৱা নত্তে, এৱার্দ ফংলবা মীওইশিংনা করিগম্বা ফত্তবা থবক অমত্তা তৌনিংলোই। মীয়াম্না শক খঙলবা মীওই অমা হায়বসি মহাক্কী লমচৎ শাজৎতা অফবা মীয়কৈদা অওনবা অমদি লাক্লবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা ৱাই মহেন্দ্রকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লি অসি কুমজা ১৯৮৪দা লিংখৎখিবনি। দলিৎ সাহিত্য একাদেমি মণিপুরনা কুমজা ২০০৪দা লিংখৎখিবনি হায়রি। মণিপুরদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা ইশ্যু কয়া লৈরিবা অসি ঐখোয় মীয়াম পুন্না থেংনবা মথৌ তারি। দলিৎ হায়বা অসি অৱা-অনা তারিবশিংগী মতেং পাংবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌবাল এন ৱাই কেগী লুচিংবা ওইরম্বা ৱাই লক্ষমননা ফোঙদোকখিবদা, এৱার্দ ফংবা মীওইনা পোলাইট ওইবগা লোয়ননা অফবা লমচৎ শাজৎদা অহোংবা খরদি লৈগনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক লল্লোনবা কাঙবুনা মী অমদি নুংঙাইগনি। অদুবু অতৈনা অৱাবা মায়োক্লগনি। ঐখোয় মোরেল ভেল্যু লৈনবা হোৎনসি, ক্লা, জরদা চাবা থাদোক্লসি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌরিবা নুপা নুপী পুন্না মীওই ৪৩ দা সাটিফিকেট পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

# নন্দোগী খোঙ্গুল লিবগী থবক কন্না চথখিরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সগোলমাং পুলিস ষ্টেশন্না কোনবা তরেৎ খুন, তাইগর কেম্প অমদি হেপি ভিলেজনচিংবদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি পুলিসকী কাঙবুনা পাক শন্না কে সী পি নন্দেগী খোঙ্গুল লিবগী থবক চথখিরি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমগী মীৎয়েং মখাদা এদিসনল এস পি (ওপস) টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী, কম্মান্দোগী দি এস পি থাংকোচোতা হাওকিপ অমদি ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী ও সী টি খোগেন য়াওবা কাঙবুনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী পুং ৭ ফাওবা কোয়শিন্দুনা থি-হুম্বা চথখি। ওপরেসন অদুদা য়ুম ৭০ চঙদুনা থিবা হুম্বা চথবা অদুদা তরেৎ খুনদগী চিংনবা মীওই অমা ফাখি।

ঙসি অয়ুক পুং ৫.২০ দগীনা পুং ৬.৪০ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি পুলিসনা ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুম্বা চথখি। ওপরেসন অদুদা তোঙান তোঙানবা মীওই ২২৭ অমদি ভারা শান্দোকপা কা ৬২০ রোম য়াওনা রেইদ চথখি। থৌদোক অদুদা চে-চাং শুদবা লাইশেন্স গন অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ দগী পুং ৭ ফাওবা কম্মান্দো ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি পুলিসনা পাক শন্না থিবা হুম্বা চথখ্রে। উরিপোক খোইস্নাম লৈকাই, লাই খুরেম্বী অমদি খাইদেম লৈকাইনচিংবদা লৈবা য়ুম ৩০০ দা থি হুমখি অমদি মীওই ৯০০ রোম ৱাহং পাউহংবা চথখি। থৌদোক অদুদা মীফা মীপুনদি অমত্তা য়াওখিদে। মসিদা নত্তনা চিংনবা মফমশিংদা ওপরেসন্নচিংবসু চথখি হায়রি।




HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)

# ইরাক্লবদা মচিন মনাও অনী শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯(ঐচএনএস): নুঙবা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থিংভৌ ভিলেজ ফাওদুনা চেল্লিবা বরাক তুরেলদা মচিন মনা অনী ঈরুজবা চৎপদা মনাওনুপা কন্নবা হোৎনবদা মচিন মনাও অনী বরাক তুরেলদা ইরাক্লদুনা শিরে।


থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা মচিন মনাও অনী অদু থিবা খঙদনা লৈরম্বনি। ঙসি থিংঙৌ খুলগী এরিয়াদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংবনি। লৈখিদ্রবা মচিন মনাও অনী অদুদি সেনিয়ুন গাংমৈ (৯) অমদি মনাওনুপা অদুগী মমিংনা পৌফুনুং গাংমৈ (৭) অপোকপা কাজিলিয়ুউ গাংমৈ কৌই। মখোয় থিংঙৌ খুলদা লৈবনি হায়রি।

# কম্বাইন ফোর্সনা য়ু জি ২ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯(ঐচএনএস): থৌবাল পুলিস কম্মান্দো অমদি ২৬ শুবা অসাম রাইফলসনা খাঙবোক কৈথেলগী বি এস এন এল ওফিস মনাক্তা থিবা হুম্বা চথবদা কে সী পি পিপলস ৱার গ্রুপকী ওভর গ্রাওন্দা লৈবা মীওই অমা ফারে হায়রি।

থা অসিগী ২৮ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৪০ তাবা মতমদা কম্বাইন ফোর্সনা ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা থোকচোম সুসিল (২৫) অপোকপা টি ঐচ য়াইমা কৌই। মহাক খাঙবোক মখা লৈকাই পার্ট থ্রিদা লৈবনি হায়রি।

নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি ১৫ শুবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা কোংপান টিনসিদ রোদকী থোং ময়াদা থিবা হুম্বা চথবদা প্রিপাক প্রোগী ৱাহেংবম অমরজিৎ এলায়স তাং (২৫) কৌবা চীংমৈরোং মনিং লৈকাইদা লৈবা অমা ফারে হায়রি।




HL-B/5147/25/1-25/2

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।০৩।২০১৯ ইং, থাংজ, লমতাগী ২৫ নি পানবা।

মেষ: নাপলনা মাংহনবা, ফত্তবা মীনা মরুপ মপাং মাংহন্নবা শিনবা অমদি পুক্লিংদা চিংনবা খরা পোক্লসু নরল চাওখৎপা অমদি ইমুং-মনুং ৱাখল তামিন্নবা লৈগনি। লাইবক ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাংবিগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

বৃষ: হকচাং নুংঙাই লিশাং শিৎনা পাংগদবা থবক পাংবা য়াগনি অমদি মরুপ-মপাং লোইনবনা কান্নবা চাওনা ফংগনি। অদুবু হেন্ন অশা চাওবদি তৈগনু -মীপাইবা নংবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

মিথুন: ৱা য়াম্না ঙাংদবা অমদি নতোমতা অরুবা ৱারেপ লৌদবা ফগনি। খোইরাংবনা পোত্থাফম খংলোই অমদি য়েক্লবনা পাঙ্গলগনি। মরুপ হেন্না থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

কর্কট: নিংবদি খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি অমদি অরুবা থবক পাংবা য়াগনি। ললোন ইতিক্কী থবক্তা খ্বাইদগী কান্নবা ওইগনি। নথক থোংবনা য়ানবদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু।

সিংহ: ওইজ-ওইথক ফংগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবা য়াগনি। অদুবু নোনজনা চত্রদি য়েক্লবা হেনগনি অমদি মীখা পোনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌবা খরা লৈনগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

কন্যা: কান-কান্নদবদা চাদিং তৌগনি-পুক্লিংনা পুবা থবক পাংগনু, অচম্বা খোংথাং থাংবা ফগনি। কিবদি পোক্কনু থৌনা ফুদোকপা মতাং চাই, শাগৈনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক্লা অমা ৱাখলনা অমা ওইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

তুলা: মরম ইচা চাদনা চোপ্পা ইকাইবা নংগনি, নথক থোংবনা য়েংশিল্লি হাইবা কাওগনু। নংনা হান্নগুম ঙমগনি অমদি নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা মাংহনগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: য়েংশিনবা য়াম্মী অমদি হৈশিংবা শাবদা নরল কাইবা য়াবা লৈ। মীতোপ্পা লেপতনা নথক থোংবগা কাইননবা শিল্লি অমদি কিহনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

ধনু: নিংবা থুংগনি, ললোন ইতিক কান্নগনি অমদি মীয়াম্না য়াগনি। পন্দুনা লৈরুবা শেলথুমসু ফংবা য়াবা লৈরে। থবক অমদি পন্দুনা লৈখিনি-কোক শাই।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ শাফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

মকর: হরাওবা নিংবা থুংবা অমদি নুংঙাইবা ফংগনি। ললোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি। অঙম্বনা হান্নগুম নরলদা মীতাবা লৈ অদুনা ৱাঙাং হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - খন্থদবা তৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্বা: হকচাং নুংঙাইবা অফা অপুন নংবা য়াবা কোকচবা অমদি চরাংনদ্রদি চাদিং হন্থবা নুমিৎনি। নচাক নরল চাওখৎপা অমদি লৌশিং অনৌবা ফংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিন: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা য়াবা লাক্কনি অদুনা চেকশিন্দবা তৌগনু। মীয়াম্না লৌথোক চাথোকনিংবা লৈগনি অদুনা মরম চাদনা লাংথোকপা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাইনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।